# যুএনসিনা সুপ্রা ষ্টেটকী মতাংদা হোম মিনিষ্টর গাইখাঙমদা ৱার্নিং তৌখ্রে

*থৌদাং পাউমীদগী*

*ইম্ফাল, এপ্রিল ১২ঃ* লোয়বা নাইদ্রবা নাগাগী ইশু অসিবু লোয়শিনহনখিনবগীদমক্তা এন এস সি এন (আই-এম) না ইন্দিয়া গভর্নমেন্টকা ৱারী শান্নদুনা ওইথোকপা য়াবা ৱাখৈ অমা মমি তঙ্না হৌরকপদা ‘মঙফাওনররোইদবা মঙলান্নি’ হায়না ফোঙদোকখিবা মণিপুর সরকারগী হোম মিনিষ্টর গাইখাঙম্ভু নাগাগী ইতিহাসনা খক কাউররোই হায়না য়ুনাইটেদ নাগা কাউন্সিল (য়ু এন সি) না ফোঙদোরক্লি।

সেন্তরনা প্রোপোজ তৌরিবা ‘সুপ্রা ষ্টেট’ নত্রগা মণিপুর, আসাম অমসুং অরুনাচল প্রদেসকী নাগাশিংনা খুন্দাবা মফমশিংবু অপুনবা ওটোনোমস কাউন্সিল অমগী মখাদা থম্নগী ৱাফমদা নাকোইননা য়ানিংবা ফোঙদোক্লদুনা ঙসি য়ু এন সি গী পব্লিসিটি ৱিংনা থাদোক্লকপা চেরোল অমনা হায়রি, নাগাগী ইশু অসিগী ইজ্জৎ লৈবা ৱাখৈ অমা পুথোক্লবগীদমক্তা চথরিবা ইন্দো নাগাগী ৱারী শানবা অসিদা উবা ফংলক্লিবা মওং মতৌ অদুগী মতাংদা মণিপুর সরকারগী হোম মিনিষ্টর অমসুং মণিপুর প্রদেশ কংগ্রেস কম্মিটি (এমপিসিসি) প্রসিদেন্ট গাইখাঙমগী রাজনিতিগী ওইবা অপাম্বশিং অদুবু ইচঙ ফংনা উশিৎ-থৌইদবগী মওংনি হায়রি।

হোম মিনিষ্টর গাইখাঙমনদি এপ্রিল ৯ দা পাউমীশিংগা উন্নখিবা অমদা হৌজিক সেন্তরগা সিজ ফয়ার থমদুনা শান্তিগী ৱারী শানরিবা এন এস সি এন (আই-এম) অমসুং ইন্দিয়া গভর্নমেন্ট অনিগী মরক্তা সুপ্রা ষ্টেটকী ৱাফম অমা চোংথোরক্লিবা অসি শুন্দ্রংনি অমদি ‘মঙফাওনররোইদবা মঙলান্নি’ হায়না ফোঙদোকখি।

মহাক্না হায়খি, শুপ্রা ষ্টেটকী ৱাফমঅসি ইনশাং লৈতনা অচাথাউ হান্না লৈবগুম্বনি হায়না ফোঙদোকখিবনি।

অদুম ওইনমক মিনিষ্টরগী ৱারোল অসিদা য়ানিংদবা ফোঙদোক্লদুনা য়ু এন সি না হায়রি, গাইখাঙম্না মহাক মশামক নাগা অমা ওইজরবসু নাগাশিংনা অপুনবা ফুরুপ অমা ওইনা হিংমিন্নবা হকশিং অদুগীদমক্তা হৌখিবা চহি হুমফু চুপ্না ঈখেংলক্তা লাহ্নেংনদুনা লাক্লিবা অসিবু মঙফাওনররোইদবা শুদ্রংগী মঙলান্নি হায়না মশক তাক্তুনা মহাক্কী মশাগী ওইজবতনা মাঙওইনবা মীওইশিংনা ইতিহাসতা য়ুংফম ওইবা নাগাগী মুভমেন্ট অসিবু লৈখা তানা চিংথরি।

নাগাশিংনা তাবা মফমশিংবু অমত্তা ওইনা পুনশিহনগদবনি হায়না দিমান্দ তৌদুনা এম এল এ ১১ অমসুং এম পি অনিনা ইং ২০০৫ গী মে ২৭ তা প্রাইম মিনিষ্টরদা পীশিনখিবা মেমোরেন্দম অদুদা সহি তৌবা য়াওখিবা গাইখাঙম অসি ইকুই কুইদনা নাগা ইন্টিগ্রেসনগী ফিরাল পায়বা লুচিংবা অমা ওইখিবনি, অদুবু মহাক ঙসি মশানা ফংলিবা ওইজ-ওইথকশিং অদুনা মরম ওইদুনা পুমতোং তোঙানবা মীশক অমা ওইখ্রে হায়না য়ু এন সি না নীংঙমদবা ফোঙদোরক্লি।

এন এস সি এন (আই-এম) না লোইশিনবা নাইদ্রবা ইন্দো নাগাগী ইশু অসিদা ৱাখৈ অমা পুরক্লবগী পান্দমদা ইন্দিয়া গভর্নমেন্টকা ৱারী শানরি। অমরোমদনা, ইন্দিয়ান য়ুনিয়নগী মখাদা ষ্টেট অমগী হোম মিনিষ্টর ওইরিবা গাইখাঙম্না অসিগুম্বা ঐখোয়গী লমদম অসিদা শান্তি পুরক্লিবা থৌশিল অসিবু য়াম্না থৌনা ফন্না মঙলান্নি হায়রি।

মশাগী মথৌ অমা ওইনা শান্তিগী থৌশিল অসিবু শৌগৎপগী মহুৎতা ‘নাগা অসিনা’ (গাইখাঙম) ওইজ-ওইথক হৈথরক্লিবা গেল্লরিদগী (মণিপুর গভর্নমেন্ট) থাগৎ-ৱাহৈ খরা তাবা ফংনবগীদমক্তা ‘শাগৈগী মৈতাল অশিবা’ হায়বদু ওইরে হায়না চেরোল অসিনা ফোঙদোরক্লি। গাইখাঙম্না ফোঙদোকখিবা ৱারোলশিং অদু মশামক্না ফাওবা থাজবা ঙম্লম্রোই অদুবু নাগাগী ইতিহাসনা মহাকপুদি কৈদৌনুংদা কাউররোই হায়না য়ু এন সি না ফোঙদোরক্লি।